থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

## লমচাক চাবা চৎপা

‘পিকনিক’! ন্যু য়র লাকপা খুদিং ৱাহৈ অসি হেক হেক নীংশিংই। চহী খুদিং জন্যুৱারী থা হেক লানশিল্লকপগা ফেমিলি ফ্রেন্দ ওইনা তিন্নখ্রবা মরুপ মপাং মঙা তরুকখক লৈরিবসি অমা নৎত্রগা অমনা ফোন হেক্তা তৌরক্কনি - ‘হন্দক্তি কদোম মায়কৈ পাংসি হায়রিবনো ইয়াম্বা? অনৌবা চহীগী মুদ মাঙদ্রিঙৈ, অহাওবা চাক চরা অমদি লমহাঙদা চামিন্নরুসিদনা’ ...। ঐখোয়’ ঈরক্তা য়াওরিবা নহা খরা ওইরিবা য়ঙ্গর-ফ্রেন্দ খরা য়াওরিবা মখোয় অম’নিনা ‘পিকনিক স্পোট’ অমদি চৎকদবা নুমিৎ হেক্তা লেপ্লক্কনি, শেনখায়-থুমখায় চাং অমা লেপথোক্লগা ইচা ইশু ইমুং মনুংগী মীওইশিং পূন্না চৎমিন্নদুনা লমহাঙদা চাক থোংদুনা চামিন্নরুনি। নহা ওইরিঙৈ ফংহৌদ্রবা এক্সপরিয়েন্স, হনুথংদা, হিংননবা পায়রম্বা শিনফমদুদগী পোত্থারবা মতুংসিদা ইনৌ নৌনা লৌরক্লি। ফেমিলি ওইনা চৎপা পিকনিক মখলসি নত্তবা, মরুপ মপাং অম’নি হৌনরগা চৎপা মখল অমগা লৈ। মখোয় অনী অসিগী নুংঙাইবা খুৎনুংঙাই মান্নদে।

পিকনিক! ফ্রান্স-লোন’দগী পুরগা ইংলিস ওইনা শীজিন্নখিবা ৱাহৈসি ঐখোয়গী লোন’দা করিনা মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নবা য়াই? ময়াম্না ইখন খন্নদে। হিন্দি লোন’দসু হন্দোক্তুনা শীজিন্নদে। ‘লমচাক-চাবা’ হায়না হন্দোক্লগা শীজিন্না য়াবদুসু শীজিন্নদনা ‘পিকনিক’ হায়দুনা অদুম শীজিন্নরে। ইন্টরনেসনল লেংগ্বেজ ওইখ্রবনিনা ৱাহন্থোক থিরুবগী কান্নবসু লৈতরে। হাকুম, ২০২০ চঙলকপদা চৎনখিবা পিকনিক ময়ামদুগা চাংদম্নরুবদা হন্দক, কোভিদ-১৯-লাইচৎ’না মরম ওইদুনা মীয়াম তিনবা/পূনবদা লৈঙাক্না অথিংবা থমখিবা অমগা অমগা মিটর অনী/ফুট তরুক্তগী তাদনা লাপ্তুনা লৈনৌ হায়বনচিংবগী এস ও পি লৈখিবনা কুমসি ২০২১ চঙলকপদা চৎনবা পিকনিক’কী চাং ফনা নিংথিনা হন্থরমগনি খনখিবনি। পাউ ওইনসু তাখি - হান্নদই মমিং চৎলবা ‘পিকনিক-চৎফম’ অয়াম্বদসু লৈকায় লৈকায়গী ভোল্যুন্টিয়র থোক্লক্তুনা থিংই, চঙহন্দে। মরম অসিনা, অতোপ্পা অনৌবা মফম থিদুনা চৎনবগী পাউ তাখি। খরনদি হায়, পিকনিক চৎপা কনানা থিংই হায়রিবনো? ঐখোয়গী কাঙবুদুসু হন্দক্তি পূক্লিংদুদা খরা খনজ ানখিবরা? হান্নগুম গৃ-গৃ তকশিন্নরক্তে। মীনা কয়া খন্নদবা মফম অমা খন্দুনা জন্যুৱারীগী অরোইবা নোংমাইজিংদা চৎসি হায়নরিঙৈ চৈরকসিদা ফিল্ম প্রদক্সন কম্পনি অমনা, লমলাইরোমদা তুরেল অমই তোর্ব্বান্দা ‘পিকনিক চৎলুসি’ হৌরকখি। ইরুজনীংবগা থোংগ্রা তেকপগা মান্নে হায়বদুনি। হান্না লেপ্লম্বা প্রোগ্রাম অমা য়ৈথোরকখিবগা মতাং চানদুনা ঐসু ‘হোয়’ হায়দোকখি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙ দিসেম্বর ‘৩০’ দুদসু বারুনি চীংখোঙদা নহারোল মরক্তা পিকনিক য়াওবা চৎলুরগা লমচাক চাদনা খাঙতপ্তা হল্লকখিবগী নীংঙমহৌদবা অমসু লৈরিবনি।


ওম্থোকপনি! লমলাই য়ৌরব’কান্দতা খঙলকই - লেপ্পখিবা ‘পিকনিক - স্পোট’ (লৈকোল) গী মপুনা মখোয়গী ইমুং-মনুং কোয়বা লাক্লনি, অতোপ্পা নুমিৎ অমদা ওইনা শীনবীরো, হায়দোরক্লে হায়দুনা খুদক্তা অতোপ্পা মফম অমা থিবা চৎলে। উখ্রুল লম্বীদা, মহাদেব খুল হেন্দোক্লগা, কিলোমিটর অহুম-মরি চৎলগা লৈবা ‘লোক-থেল’ অমদা লমথুংলুরে। মেন-রোদতুদগী লোকখা তম্না কূমথরকপই লম্বীদু উফুল’না খুজেং য়ৌরম্নি। উফুলগী লৈচিল মরক্তু ফাওদোক্লগা ঈশিং ঈচেল অমা চেল্লিবা থেল অদু য়ৌরকপদদি, ঐখোয়দগী হান্না ‘কার’ নিফু-য়াংখৈ হেন্না খামদুনা, মচি-মচিদা চাক-থোংফম লৈরঙ শেমগত্তুনা চাক থোংদুনা লৈরম্লে। থোং-থাকপা লোইদুনা থকপা-চাবা হৌগৎপসু য়াওরম্লে। নুংঙাইবা ঈশৈগী তাম্বাদা শৈফম কয়াসু লিংখৎনরম্লে। মফমদু ‘সিখিবুঙ’ কৌই হায়, নহা অমনা হায়রকপনি। থোইনা ফজবা, খোঙহাই চাবা মফমসু নত্তে। লাক্লবনিনা ঐখোয়সু মফম চাবা য়েংলগা চাক থোঙ্গৎলসি লেপ্নদুনা, ময়ায় ওইরপ চাউবা, ঐখোয় কুন্তরুক-কুন্তরেৎকী টিম অদুসু ময়াম মরক্তুদা য়াওশিল্লে। মখল মথেল ৱারী, উপন্যাস/দ্রামা/সিনেমা অমগী মচাক থন্না য়াওরবা, কনানসু ইথোক্ত্রিবা ৱারী কয়ানি লীনখিবদুদা য়াওরকখিবা। অসিগুম্বা খোঙফম শোয়না চৎপা পিকনিক অমদা চাক থোংনবা চফু য়াওরমদদুনা ‘বালটিন’দা চাক থোংদুনা চারকখিবই ৱারী। ওজা দিনমনিগী পিকনিক মিংথোনবা ৱারী মচা, ৱানা থোংলুরবা চাক, হৱাইজার মনম নম্লকপগী ৱারীদুসু নীংশিংলুরি মতাঙ চাদনা।

সেকমাই, অন্দ্রো, ফৈয়েং, মোইরাং, চদোঙ... মশীং খঙদনা লৈরবা পিকনিক চৎফমশিং, অখন্নবা মতম/নুমিৎ খরদদি চাক থোংফম/পোত্থাফম মফম ফংদবগী তানফমদুফাও থেংনখ্রে। খৎন-চৈন য়াওরকপসু তাখরে। সেকমাই, অন্দ্রো, লৈত্রাম, মোইরাংনচিংবা মফম খরদদি লোকল ক্লব/ওর্গনাইজেসন খরগী দিভলপমেন্ট ফন্দ শেমগৎনবা ইনকম তান্নবগী লম্বী অমসুনি। মমিং চৎলবা, মীনা পাম্না চৎনরবা মণিপুরগী পিকনিক-স্পোট খরদা ঐখোয় চত্তুনা অমুক্তং য়েংলুসি-মফমদুদা লাক্লিবা মীয়ামশিংদুগীদমক্তা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা করম্বা দিপার্টমেন্টনা করি শেমগৎ শাগৎপা নৎত্রগা মতেং পীবা লৈবরা? দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমগী মীৎয়েংখাদা লৈফম থোকপদুগী মমি করি তাবগে? চৎলুরগতা খঙগনি।

অদুগা, ঐখোয়না পিকনিক চৎনীংলিবনা করিগী? পিকনিক চৎপগী কান্নবনা করি? কনাগুম্বনদি হায় ... অরেম্বদা মতম মাঙহনবা, অরেম্বদা শেল তিংহনবা, লমচৎ মাঙনবই মশক ওইবা, নোংচুপকী কলচর মতৌ তম্বা থৌরেম ৱারেম ঙাক্তনি। অমন’মুক হায় ... পিকনিক - তেন্সন রিলিভ তৌনবা, তঙাইফদবা, তৌদা য়াদবা, কান্নবা পাম্বে অমনি। অহাঙবা লমহাঙদা ঈশৈ শক্তোকপা, ঈশৈ তাবা, নুংঙাইথোকপা কান্নবা পাম্বে অমা ওইরবসু, পিকনিক’কী নমা’দা ময়ায় কাবা চিঞ্জাক চানবগী পাউথোং অমা ওইহনবদুদি তৌরোইদবনি।

লৌশিং পুক্কে

## ‘কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা থেংনরিবা লান অসিদা এন্টিমাইক্রোবিয়ল রেজিষ্টেন্সনা অয়েৎপা পীরি’




কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা থেংনরিবা লান অসিদা এন্টিমাইক্রোবিয়ল রেজিষ্টেন্সনা চাউনা অয়েৎপা পীরি। ভাইরেল পেন্দমিক মায়োক্লবদা এন্টিবাইওটিকশিং কা হেন্না শীজিন্নবনা লাইচৎ অদুগী মায়োক্তা থেংনরিবা লান অদুদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লি হায়না হীরম অসিগী মতাংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী নৈনদুনা লাক্লবা পব্লিক হেল্থ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

চান্দিগরদা লৈবা ফোর্টিস-মোহলিগী ফার্মাকোলোজি কন্সল্টেন্ট ডা. শিভানি জুনেনানা হীরম অসিগী মতাংদা হায়, কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ শন্দোক্লিঙৈ মনুংদা এন্টিবাইওটিকশিং লান্না শীজিন্নবনা এন্টিমাইক্রোবিয়ল রেজিষ্টেন্স শগে দাকপগী চাং হেনগৎহল্লি। কোভিদ-১৯ অসি বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা নত্তে, ভাইরস অমনা থোকহনবনি। মরম অদুনা বেক্টেরিয়ল ইনফেক্সনসু য়াওবা নৎত্রগদি কোভিদ-১৯ লায়েংনবা নৎত্রগা মসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা, এন্টি-বেক্টেরিয়ল মেদিসিনশিং শীজিন্নরোইদবনি। দোক্টরগী প্রিস্ক্রিপ্সন য়াওদনা এন্টিমাইক্রোবিয়ল হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নবনা এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী চাং হেনগৎহনবতা নত্তনা হীদাক অদুগী সাইদ ইফেক্টশিং, শেল হেন্না চঙবা, অমদি কমপ্লিকেসননচিংবা কয়াসু থোকহল্লকই হায়রি।

ডা. জুনেজানা মখা তারদুনা হায়, মালেমগী মফম কয়াদা কেমিষ্টশিংনা এন্টিবাইওটিকশিং য়াওনা এন্টিমাইক্রোবিয়লশিংবু প্রিস্ক্রিপ্সন য়াওদনা য়োন্নরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিগী ইফেক্ট অসি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। এন্টিমাইক্রোবিয়ল রেজিষ্টেন্স (এ এম আর) হায়বসি বেক্টেরিয়া, ফঞ্জাই, অমদি ভাইরসশিংদা মখোয়বু হাৎনবগীদমক শারকপা হীদাকশিং অদুবু মায়থীবা পীবা ওম্বগী পাঙ্গল দিভেলপ তৌরক্লবা মতমদা ওইরকই। মসিনা ইচম চম্বা ইনফেক্সনশিংফাওবা লায়েংবদা ৱাবা ফিভম অমদা ওইহল্লকই। অচম্বা লায়নাশিং অদুগী শন্দোক্নবগী চাং অমদি শাথিবগী চাং হেনগৎহল্লকই হায়নসু মহাক্না হায়রি।

এন্টিমাইক্রোবিয়লশিং অসি মীওইবা, শা-ঙাশিং, অমদি পাম্বীশিংগীদমক্তদি লায়না লাইওং কয়াবু ফহন্নবা য়াম্না মরুওইবা এজেন্টশিংনি। অসিগুম্বা এন্টিমাইক্রোবিয়লশিং অসিবু লান্না অমদি কা হেন্না শীজিন্নবনা দ্রগ-রেজিষ্টেন্স ইনফেক্সনশিং দিভেলপ তৌহল্লকই। হীদাকশিং অসিবু প্রিস্ক্রাইব তৌবদা কাঙলোন চুমদবা, প্রিস্ক্রিপ্সন য়াওদনা শীজিন্নবা, অমদি পেসেন্টশিংনা হীদাক-লাংথক শীজিন্নবগী মওংশিংনসু এ এম আরদা মতেং পাংশিল্লি। এন্টিমাইক্রোবিয়লশিং অসি কাঙলোন লান্না প্রিস্ক্রাইপ তৌবা নৎত্রগা অখঙ অহৈশিংগী পাউতাক নীংথিনা য়াওদনা শীজিন্নবগী থৌওং তোয়না চখ্রনৈ।

এন্টিবাইওটিকশিং মরম চাদনা শীজিন্নবা অসিনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা বেক্টেরিয়াগী ষ্ট্রেনশিং পোকহল্লকই। অসিগুম্বা নৌনা পোক্লকপা ষ্ট্রেনশিং অসিদি খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল কল্লবা এন্টিবাইওটিকশিংনা ফাওবা চঙবা ঙমদে। মসিনা মরম ওইরগা তোয়না নাগনবা লায়না লাইওংশিং ফাওবা মীশি-মীনা য়াওবা য়াবগী থাক্তা ওইহল্লকই।

এন্টিমাইক্রোবিয়ল রেজিষ্টেন্সকী মায়োক্তা থেংনরিবা লানফম অসিগী শরূক অমা ওইনা এদল্টশিংদা খুদোংচাদবা অসি মেনেজ তৌনবগীদমক পোষ্ট গ্রেজুএট ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল এদুক্যেসন এন্দ রিসার্চ (পি জি আই এম ঈ আর) চান্দিগরনসু মখোয়গী ওইবা পোলিসি পুথোকখ্রে হায়রি। পি জি আইদা এন্টিমাইক্রোবিয়ল এৱ্যের্নেস ৱিক পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইনষ্টিট্যুটকী দিরেক্টর ডা. জগট রামনা হায়খিবদা, এন্টিমাইক্রোবিয়ল রেজিষ্টেন্স হায়বসি মালেম শীন থুংবগী ওইনা য়াম্না চাউনা নুংনাংনিংঙাই ওইবা ফিভম অমনি। এন্টিমাইক্রোবিয়ল মেদিসিনশিং কা হেন্না অমসুং লান্না শীজিন্নবা হায়বসিনা ফিভম অসি ওইহল্লকপগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমনি। এন্টিবাওইটিক কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবগী মতাংদা প্রোমোট তৌনবগী মপুঙ ফাওবা দোক্যুমেন্ট অমা পি জি আইগী এন্টিমাইক্রোবিয়ল ষ্টুৱার্দশিপ কম্মিটি (এ এম এস সী)না পুথোক্লে হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

দোক্যুমেন্ট অসি প্লেটফোর্মশিংদা অদুগা হোস্পিটালশিংনা মশা-মশাগী ফিভমগী মখা পোন্না শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াগনি হায়না এ এম এস সীগী কনভিনর ডা. নুসরট শাফিকনা ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৯দা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা এন্টিবাইওটিক লান্না অমদি কা হেন্না শীজিন্নবগী থৌওং অসি লেপত্রবদি মমাঙঙৈ মতমগী টুবরক্যুলোসিস, ন্যুমোনিয়া, সালমোনেল্লোসিস অমদি গোনোরিয়াগুম্বা ইনফেক্সনশিং লায়েংবদা ৱানা থোকপা ফিভম অদুদা অমুক হঞ্জিল্লকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা থমখিবসু লৈখ্রবনি।

## কোদোমপোকপী, খনরোক অমসুং হিয়াংলম ৱাবগাইদা লুখোসৈ জৌ থাদোকপগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জুলদা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী), চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা এন দি এন্দ পি এস কোর্টনা থাদোকখিবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোদোমপোকপী মমাঙ লৈকায় কৈথেল শঙদা য়াইফ ইহৌ ৱিমেন্স এসোসিএসন অমসুং কাদা য়ুনিট পূন্না খুৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী সেক্রেটেরি ইনফোর্মেসন পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ৱাকৎ মীফম অদুদা কাদাগী জেনরেল সেক্রেটেরি গীটচন্দ্র মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক অমসুং লুখোসৈ জৌ অনীগী মরক্তা থেংনবা কেস ওইবনিনা লন্নাই মীওই নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমনা হায়র কোর্টতা আপিল চৎপা য়াদে। অদুনা কেস অসি মখা তানা থিংজিন্দুনা মীয়াম্না কেস অসিগী জজমেন্টতা মীয়াম্না থাজদ্রিবা অসি কোক্লনবা অমসুং দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা লৈবাক মীয়াম্না চঙশিল্লিবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং অসি লৈঙাক অসিনা হকচিন্না লৌদুনা শুংশোই শোয়দনা মতম লৈরিঙৈদা হায়র কোর্টতা আপিল চৎতুনা কেস অসি অমুক হন্না নৌনা থিগৎহনগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, কেস অসি হৌরকপদা কেস অসিগী ইভিদেন্স ওইগদবা ফাগৎখিবা দ্রগকী সেম্পল মফম খঙদনা মাঙখিবা অসিনা কেস অসিদা চাউনা লৌতুনবা অমা য়াওরে হায়বসি মীয়াম পূন্নমক্না চিংনদুনা লাকপা ৱাফম অমনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খনরোক ময়ায় লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা খনরোক ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন অমসুং কাদা পূন্না খুৎশম্নদুনা লুখোসৈ জৌ মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপানজিৎ নিংথৌজমনা ফোঙদোকখিবদা কোর্টকী জজমেন্ট অসিবুদি মীয়াম্না ইকায়খুম্নে। অদুবু মশামক্কী ওফিসিল ক্বার্টৈদগী য়াম্লবা দ্রগকা লোয়ননা ফাখ্রবা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে, মরাল পীবা য়াবা খুদম চাংদম ফংদ্রে হায়বা ৱাফম অসিদনি মীয়াম্না য়ানীংদ্রিবা অসি। অদুনা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না মথক থোংবা কোর্টতা আপিল চৎতুনা অমুক হন্না কেস অসি থিজিন্দুনা মরাল লৈবা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং আইনগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

চেরোলসিনা হায়, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হিয়াংলম ৱাবগাই তেরা পাক্তসু ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা য়াম্লবা দ্রগকা লোয়ননা ফাবদা চেন্নবা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা হিয়াংলম ৱাবগাই তেরা পিশক্তা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ফমদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা ৱা ঙাঙখি। ৱাকৎ মীফম অদু লোইশিল্লকপদা শরুক য়াখিবা মীয়াম অদুনা লুখোসৈ জৌ থাদোকপা য়ানীংদে, ৱার ওন দ্রগস ফাগি তাহনগনু অমসুং দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু হায়বা খোল্লাউশিং অমত্তা ওইনা লাউদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

## কুম্বী অৱাং লৈকায়দা গ্রাউন্দ লেভেলিংগী থবক হৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি বিষ্ণুপুরনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী খনগৎলবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ৯গী পির এসেসমেন্টকী মাঙওইননা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী মনুং চন্না লৈরিবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর কুম্বী অৱাংগী গ্রাওন্দ লেভেলিংগী থবক অমদি সেন্টর অসিগী ফেন্সিং এক্স-মিনিষ্টর নিংথৌজম মঙ্গীগী মীৎয়েং মখাদা ৱাঙু বোরায়াংবী জিল্লা পরিষদকী মেম্বর মোইরাং ব্রোজেননা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা লন্নাই ওইনা পায়খৎপা হৌখ্রে।

হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর কুম্বী অৱাংগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল ৱার্দ নম্বর-৯গী কাওন্সিল্লর ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাংনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা হেল্থ সেন্টরশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎনবা স্বাছ ভারত অভিয়ানগী মখাদা পায়খৎলিবা ‘কয়াকলাপ’ কী প্রোগ্রাম অসিনা হেল্থ এন্দ ৱেল সেন্টরশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবদা নত্তনা অকোয়বগী ফিভমসু তরূ-তনান্না লৈবদা মতেং পাংলগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি বিষ্ণুপুরনা জানুৱারি ১১, অমসুং ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পির এসেসমেন্ট মাঙওইননা লৈঙাক্কী ফন্দ লাক্ত্রিঙৈদা ফিভম চাদনা লৈরিবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর কুম্বী অৱাংগী অকোয়বা ফেন্সিংগী থবক অমদি সেন্টর অসিগী গ্রাওন্দ লেভেলিং তৌবীবগীদমক সেন্টর অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা অপেনবা পোকই হায়বগা লোয়ননা এক্স-মিনিষ্টর নিংথৌজম মঙ্গি অমদি ৱাঙু বোরায়াংবি জিল্লা পরিষদকী মেম্বর মোইরাংময়ূম ব্রোজেনবুসু থাগৎখি।

থৌরম অদুদা মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইরিবা কাওন্সিল্লর ৱাহেংবম মেঘচন্দ্র, পি ঐচ সি কুম্বী মেদিকেল ওফিসর ডা: কেঐচ বিশ্বজিৎ, সেন্টর অসিগী কম্যুনিটি হেল্থ ওফিসর অকোয়জম সুসমা, আশা ৱর্কর, নেসনল টিচর এৱার্দি কেঐচ ইন্দ্রকুমার, শক্লাইরবা শৈরেংবা দি দি কে অমদি এ আই আর ইম্ফালগী এপ্রুভ লিরিসিষ্ট ব্রোজেন্দ্রো ৱাহেংচানচিংবনা শরুক য়াখি।

## মক্রু অমদি বরাক থোং ফেব্রুৱারী থাদা লোইদুনা মীয়ামদা শিন্নরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :

নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীদা শারিবা মক্রু অমদি বরাক থোং ফেব্রুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা শেম্বা লোইগনি হায়না থোং অসিবু শারিবা ভারতিয়া ইনফ্রা প্রোজেক্ট লিমিটেদ (বি আই পি এল) গী দেপ্যুটি প্রোজেক্ট মেনেজর বাপি শঙ্কর বপালনা ঐখোয়গী পাউমীদা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, বরাক অমদি মক্রু থোং অসি শাবা ফেব্রুৱারী থাগী মনুংদা লোইশিল্লগনি। থবক য়াম্না য়াঙনা শুরি অদুবু কোরোনাগী লাইচৎনা খরদি দিলে ওইরে হায়খি।

থোং শারিবা অসিগী পোৎ চৈ পুরকপা অসিদা শিল্লোংদা থোং অমা য়াদবা মরম্না অরুম্বা টন ২০দগী হেন্না পুবা য়াদে হায়বা অসিনসু মতম খরা থিন্থবা ওইবনি হায়খি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### নুপীশিংগী পুন্সি শান্নপোৎ নত্তে, মখোয়বু ইকায়খুম্নসি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙম্নবা



নুপী হায়বসিদি ইমানি। নুপীগী পুন্সি য়াম্না ফীদমনিংঙাই ওইবা পুন্সিনি। ঙসিগী খুন্নাই অসিদা নুপীগী খোঙথাং য়াম্না লুবা অমা ওইরক্লি। নুপাশিংনা নুপীগী পুন্সি হন্থনা খনবা য়াম্না ৱাখল তাদবা মতৌনি। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাকতা থাঙ্গৎলম্মী। মখোয়গী মতৌ তমদুনা ঐখোয়সু নুপীবু ইকায়খুম্নবা উৎলসি। মখোয়বু শোল্লি খন্দুনা ঐখোয়না তৌনিংবতা তৌবগী হৈনবি থাদোক্লসি। নুপীশিংগী পুন্সি অসি শান্নপোৎ নত্তে। অদুগা নুপীশিংদা হন্থনা য়েংবা, তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংবিবা অমদি উশিৎ-থওইদবগী থবক থাদোক্লসি। নুপা-নুপী থাদোক্লবা য়াদে অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা য়াম্না নুংশি চান্নবা হিংমিন্নসি। নুপা-নুপী চাং চপ মান্নবা ওইহল্লসি। মদুনা য়াম্না অফবা ক্রাইম লৈতবা মণিপুর অমা ওইবা ঙমগনি। হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা লমদম অসিদা নুপীগী মথক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকপগী পাউ লেপ্পা লৈতনা তারক্লি। লৈঙাক্না মমাংদা নুপীবু ওৎ-নৈবদা চেন্নরিবা অমদি ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা অমসুং হাৎতোকপীরম্বা মীওইশিংদা অহকপা চৈরাক পীরমদবনসু মখা তানা থোরকপা ওইরম্বসু য়াই। অদুবু হন্দক চহীদা মীওই খরদা অহকপা চৈরাক পীখিবা অসি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি।

❐ নিংথৌজম রোনালদো, হৈরোক পার্ট-২

### সনা-লুপা লৈবদৌনা গভর্ণমেন্ট জোব লৈনবগুম তৌরিবসি অনিংবা-অপাম্বা তৌবা ফংনবরা?




লৈঙাক্কী থবক অমত্তবু তৌরবদি হায়দুনা ৱাচৎ-ৱানোম তৌদুনা লৌ-ইশ্কোল য়োম্থোক্তুনা, সনা-লুপা কায়দুনা লৈনরি-মন্তিকনরি। থবক তৌখ্রবা মতুংদনা ওফিস কাদবা খক নত্তনা লনাই পর্সনেল ওইনা বিজিনেস তৌদুনা মরনাই শেল তাল্লগা লৈবা মীওই কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা খুন্নাইদা অমাঙবা ওইহল্লিবা মহিক্লুন্নবা মীওইশিং অসি থিগৎপীদুনা লৈঙাক্না মতাং-চানা য়েংশিনবিদুনা মরাল লৈবা মীওইশিংদা পারা কয়া তম্বিনবগী থৌরাং-থৌশিল কয়া অনৌবা চহীনা লাকপশিগা ইরোইননা পায়খৎহন্নিংই। মরমদি লৈঙাক্কী থবক তৌবা অমনা ফংলিবা খুদোংচাবা অসি অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। খুদোংচাবা কয়া অদু শেল পীরগা লৌহৌরগে হায়না সনা-লুপা, লন-থুম লৈবদৌনা গভর্ণমেন্ট জোব লৈনবগুম তৌরিবা অসি মখোয়গী অনিংবা-অপাম্বা অদু তৌবা ফংনবরা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। অপুনবগী থৌনা টিম স্পিরিট, টিম ৱর্ক অমগা-অমগা মতেং-ইতেং লৌনদুনা প্রাইভেট, গভর্ণমেন্টকী জোব হায়বা থিদনা ৱর্ক ইজ ৱরশিপতা য়ুম্ফম ওইরগা ৱর্ক কলচর অমা শাগৎমিন্নরিসি মদুনা পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

❐ ৱাহেংবম প্রেমচান্দ কুম্বিচা, শগোলবন্দ হৈনৌবোক

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ꯃꯁꯤꯡ / GOLD MEDALS AWARDED



**Miss Khumujam Irenbala Devi,** D/o. Kh. Gokulchand Singh & Kh. Nganbi Devi of Huikap Makha Leikai, has been awarded **KISTURCHAND SARAOGI MEMORIAL GOLD MEDAL & GOVERNOR'S GOLD MEDAL** for securing first position in M.Sc. Physics, 4th Semester Exam, 2020 (June) of Manipur University, Canchipur, Imphal.

She also got **(Late) Th. Benimadhab Singh Memorial Gold Medal** for securing highest marks in B.Sc. Physics (Honours) for DM College of Science in 2018. We all wish her a very bright future and grand success in life.

*Best wishes from Friends & Family.*

HL-P/8537/11

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১১।০১।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা; পোইনুগী ২৮ নি পানবা।**

**মেষ :** খোইরাংবা অমদি ঈং থৌবনা মাঙবা য়াবা খরদি লৈগনি। হেন্না অশা চাওবা অমদি হোয়া ফবসু মাঙগনি। অথেংবদি মীচৎ ফংগনি, অরং অরাক ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- তপথবনা য়াইফবা ওইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃষ :** অয়ুক পুং ১০ ফাওবা য়াম্না কান্নবা অমদি শেন্দোং ফংগদবা খোঙশাল লৈ। লৌশিংগী পাঙ্গলনা পল্লম্বা শেল থুম্নচিংবা ফংজবা য়াবা লৈ। খাংবদি কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- য়েৎনগনু-মাঙজগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবা অমদি ৱাখল থাদরগা তৌবা থবক মায় পাকচৌ হায়বা লৈ। মীৱাদি লৌরনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** অরাপ্পা মফমদগী নুংঙাইবা পাউ তাজবা লৈগনি অমদি ইচং থৌবনা কান্নবা কয়ামরুম ফংজৌ হায়বসু লৈ। মীয়ামগা মরি ফবদি ৱাৎকনি-লাংচৎনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংজবদি থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** অশা চাওবদি মতম মাঙবা য়াবা লৈ-য়াকা য়েংনা খুৎচাও থাউ। মরুপ লোয়নবা, থৌনা ফুদোকপা অমদি ৱানোম থৌনোম তৌবদি মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পূক্লিং ফাথখো।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কন্যা :** অয়ুক পুং ১০ ফাওবা নীংবা থুংবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা অমদি মীচং য়াম্না ফংনবগী অফবা খোঙশাল লৈ। য়েৎনবা ঙমগনি, লৌশিং থোক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পূক্লিং নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**তুলা :** থেংলপ্না নীংবা থুংগনি, অনীংবা থবক পাংগনি অমদি মীয়ামগা মরী ফগনি। কিবা পোকপা অমদি হুরানবনা তাথীবা অমসু লৈ-শকখঙদবা থাজগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মীৱা লৌরদি কাইননি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**বৃশ্চিক :** অয়ুক্তদি শেন্দোং চাওনা ফংগদবা অমদি মায় পাক্কদবা লৈ। নতিক নপা চাদনা নাপল তৌগনু-অকিবা নংবা য়াই। অদুবু অফবা মফমদি কনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- অনম তানগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** অশাওববু ফাথরবা অমদি অফা অপুনগী থবকপু য়াওরুদ্রদি নীংবা থুংগনি। হোয়া ফবা অমদি খুৎচাও থাবগী কান্নবা ফংগনি। অফবা মরুপ ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**মকর :** অয়ুক্তা নীংবা থুংগনি -অফবা থবক অমদি অনৌবা থবক পুং ১০গী মমাঙদা পায়বা হৌহৌরো-শোইদনা মাই পাক্কনি। থেংথরদি য়াকা য়েংনা চৎলো।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**কুম্বা :** অনীংবা থবক লায়না পাংগনি, শেন্দোং তানবা থবকসু শোয়দনা মায় পাক্কনি, মরুপ অমদি মীয়ামগী মতেংনা কান্নবা ময়াম অমসু ফংজৌ হায়বা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** থেংলপ্না মীপাইরম্বা কোকচগনি অমদি মীকোক থোংনা ওইজ-ওইথক তানবদা মায় পাক্কনি। অদুবু ফিংলদি মরম ময়েং তাগনি। মরুপ লোয়নবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।